# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 28-03-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা কংবুনা মফম খঙদনা লৈরিবা লুৱাংথেম মুকেশপু থিবগী থবক কন্না চথরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-থা অসিগী ১৬ তগী মফম খঙদনা মাঙখিবা কৈশাম্পাৎ লৈমজম লৈকাইদগী লুৱাংথেম মুকেশপু থিবগী থবক ওল কছার রোডকী জোজাংতেক এরিয়াদা টেকিকেল দাটা এনালাইষ্টিস শিজিন্নদুনা অমসুং অরোনবা পাউশিং লৌদুনা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথরি। অৱাংবা থাক্কী সেকুয্যরিতি ফোর্সশিংগী অপুনবা মীফমশিং পাঙথোক্তুনা মহাকপু ফংননবা থিবগী থবক চথরি। মাঙখিবা মীওই অসিগা মরী লৈনবা ই-পাউশিং খঙবা মীওইশিংনা মনিপুর পুলিসতা পাউ পীরক্তুনা মতেং পাংবীনবসু চেরোল অসিনা আপিল তৌরি।

অমরোমদা, সেকুয্যরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোল হাউজিং কমপ্লেক্সতা লৈবা মী লৈনদ্রবা ক্বাটর অমদগী মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. নোংমৈ অনি, মেগজিন য়াওবা ইনসাস রাইফল অনি, মেগজিন য়াওদবা এস.এম.জি. করবাইন অনি, বুল্লেট প্রুব প্লেট ৮, দি.পি.ভেস তরেৎ, কেমোফ্লেক্কী খোঙ্গ্রাউ ২৩, কেমোফ্লেক্কী টি-সার্ট ২০, কেমোফ্লেক্কী টুপি ১৬, পেতি ২২ ফাগৎলে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী হাউতক অৱাং লৈকাইগী চিংদগী থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, টুয়েল্ব বোর কারটিজ অমা, চেঞ্জর ক্লিপ অহুম অমসুং নোংমৈ মরু খরা ফাগৎলে।

জিরিবাম জিলাগী চিংদোং লৈকাইদগীনা ইনসাস রাইফল অহুম, এস.এল.আর. অনি, ইনসাসকী মেগজিন অহুম, এস.এল.আরগী মেগজিন অনি ফাগৎলে।

মরক অসিদা, সেকুর্যরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা নম্বোল মাইবম চিংমাংগী বস ঙাইফম মনাক্তগী ফারে। মহাক মীয়াম অমসুং চেক্কোনশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শওম্বুং পৌরাবি লম্বীদগীসু কে.সি.পি. (পোলিত ব্যুরো ষ্টেন্দিং কমিতি) গী মীওই অমা ফারে। থৌবাল জিলাগী লংথাবাল খুনৌ এরিয়াদগীনা কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) কাংবুগী মীওই অনি ফারে। কাংপোকপী জিলাগী কাংচুপ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পোনলেন্দ এরিয়াদা শারম্বা বঙ্কর অমা সেকুর্যরিতি ফোর্সনা থুগায়দুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

**শ্যামকুমার (এল)ঃ** মনিপুর টুরিজম কোরপোরেসনগী হান্নগী চেয়ারমেন-থৌনাওজম শ্যামকুমার-এম.এল.এনা হায়রি-নোংমাইচিং চিংদা লৈরিবা চিংঙু নোংপোক নিংথৌগী লাইশঙ অমা মথং চহিগী বারুনি খুরুম্বা নংনবা শারগনি।

শ্রী শ্যামকুমারনা ঙরাং শেংলবা লাইফমলেন অসিদা লাই খুরুম্বগী থৌরম অমদা পাউমীশিংদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-চিংঙু নোংপোক নিংথৌগী লাইফমলেন অসিদা লাই খুরুম্বা লাক্লিবা মীয়ামগী হেন্না খুদোংচানবগীদমক পাব্লিক টৌইলেট অমসু শারগনি। শ্রী শ্যামকুমারনা হায়-অনেদ্রাদগী চিঙ্গোই বারুনি-নোংপোক লাইনিংথৌ ফাওবগী কিলোমিটর মরি শাংবা লম্বী অসি এম.এল.এগী লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দগী শেম্বা লোয়রে।

**রেল্লি (এল)ঃ** ওরেল হেলথকী মতাংদা মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা রেল্লি অমা ঙরাং রিমসকী জল্লি হোলদগী রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-জি. সুনিল কুমার শর্ম্মনা লমথাদনা পাঙথোকখ্রে।

রেল্লি অদুনা লমফেল ত্রাফিক আইলেন্দ, সনা কৈথেল সুপর মার্কেটনচিংবা ফাওদুনা লাক্লবা রিমসকী জল্লি হোলদা লমথুংফম ওইখি। রেল্লি অদুদা ডাক্তরশিং য়াওনা পুন্না মীওই ১৫০ রোমনা শরুক য়াখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোকখ্রে। চুরাচান্দপুর জিলাগী দোরকাস ভেং খুল, সিংহাট অমসুং তেংনৌপল জিলাগী ক্বাথা খুলদা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোকখি।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়-উখ্রুল জিলাগী সকপাউ খুলদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংগা থা অসিগী ২৭ তা মরুপ-মপাং ওইনা ভোল্লিবোল শান্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**ৱার্কশোপঃ** মীয়ামগী হকশেল অমসুং ৱাটর সেনিটেসন এন্দ হাইজিন হায়বা হীরমদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী ওইবা রিজনেল খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙরাং নাগালেন্দগী দিমাপুরদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা থৌশিল থৌরাং শেম্বা মীওইশিং, হকশেলগী অখঙ অহৈশিং, লন্নাই লুপশিংগী মীহুৎশিং অমসুং রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা হকশেলগী লমদা থেংনরিবা শিংনবা কয়া পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি।

**বিল ঃ** লোক সভানা ঙরাং ইমিগ্রেসন এন্দ ফোরেনরস বিল পাস তৌখ্রে। বিল অসিদা ইমিগ্রেসন লোবু মতমগা চুন্নবা মওংদা শেমদোকপা, পাসপোর্ট, ত্রাভেল দোকুমেন্ট, ভিজা অমসুং রেজিষ্ট্রেসননচিংবা তৌবা মতমদা কেন্দ্র সরকারদা অখন্নবা শক্তি পীবা য়াওরি।

বিল অদু পাস তৌনবা খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-বিল অসিনা নেসনেল সেক্যুরিতি হেনগৎহনবগা লোয়ননা মালেমগী থাক্তা চাংদমবা য়াবা আইন অমা ওইহল্লগনি। মহাকা হায়-ভারত অসি জিও-পোলিটিকেল লৈবাক অমা নত্তে। জিও-কলচরেলগী লৈবাক অমনি। লৈবাক

অসিনা ইমিগ্রেন্টশিংবু নুংশিবা মীৎয়েংগা লোয়ননা ঙাকপী শেনবীদুনা থম্বগী শাংলবা ইতিহাস লৈরি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী পীকপা মীওই কাংলুপশিং ভারত্তা চহি চা কয়া মখোয়বু ইকায় খুমবগা লোয়ননা ঙাকপী শেনবীদুনা থম্লি হায়নসু শ্রী সাহনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**মন্টকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১২০ শুবা পুকিংগী ৱা, মনকী বাট লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা শ্রী মোদিনা হায়- হন্দক্কী তাঙ্কক্কী মনকি বাট থৌরমগীদমক মীয়ামদগী তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন পীরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা মীয়ামগী ৱাখল্লোন অসিনা সমাজ অসিগী ফনবগীদমক অপুনবা শক্তী তঙাইফদে হায়বদু উৎলি। শ্রী মোদিগী ১২০ শুবা মনকি বাট থৌরমগীদমক মীয়ামা মখোয়গী ৱাখল্লোন তোল ফ্রি নম্বর ১৮০০-১১-৭৮০০ নত্রগা নরেন্দ্র মোদি এপ নত্রগা মাই গোভ ওপন ফোরমদা ঙসি ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**খেল্লো ঃ** খেল্লো ইন্দিয়া পেরা গেমস ২০২৫, ন্যু দিল্লিগী জে.এল.এন. ষ্টেদিয়মদা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী রাজ্য মন্ত্রি-রাক্সা নিখিল খাসেনা হায়-খেল্লো ইন্দিয়া পেরা গেমসনা পেরা এঠলেটশিংগী হৈথোই শিংথোইবশিং জাতি থাক্তা চাংদমবগী ফিদা অমা পীরি। হন্দক্কী পেরা এঠলেট গেমস অসিদা মমাংগী নেসনেল রেকোর্ড ১৮ থুগায়খ্রে। শ্রীমতি রাক্সা খাসেনা হায়-হন্দক্কী গেমস অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদগী লাকপা পেরা এঠলেটশিংনা মখোয়দা য়াওবা শান্ন খোৎনবগী হৈথোই শিংথোইবা কয়া নীংথিনা উৎখি। সরকারনসু শান্ন খোৎনবগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং লৈবাক্কী মফম কয়াদা শান্ন খোৎনবগী ইহৌ কনখৎহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

দা ইমিগ্রেসন এন্দ ফোরেনর্স বিল, ২০২ লোক সভাদা পাস তৌখ্রে, ইন্দিয়াগী নেসনেল সেক্যুরিতিদা শিংনরকপশিং লৈবাকসিদা চংহল্লোই হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তর অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাই তৌরি।

মনিপুরগী ইরাংদা চুরাচান্দপুরদা খ্বাইদগী নৌবা ইঠনিক্কী মুকবা য়ানদবা কাংবুগী মনুংদা অমুকসু য়ানদবা পাউ সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। দিলিমিটেসন তৌদ্রিবঁদা মীতোপ খঙদোকবা পার্লিয়ামেন্টতা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ চে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, নহারোলগী থৌদাং অমদি সনা লৈবাক্তসু অনিশুবা হেদলাই তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-কাশ্মির হিরো ওইখিবা অজয় কুমার ভাল্লা মনিপুরদা জিরো তারে, নুমিৎ ১২ শুরবসু মুকেশকী মরি মখোং খঙহনবা ঙমদ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ৱার্ল্ড টি.বি. ডে ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখ্রে। মীওই লাখ অমা স্ক্রিনিং তৌবদা টি.বিগী কেস ৪০০ থেংনরে। য়ুমথোং খুদিংদা চৎতুনা টেষ্ট তৌরগনি হায়না গভনরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা নুপীশিংবু পুনশিলহনবগী মথক্তা শেন মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং পাংলি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-ইমরজিং চেলেঞ্জেস ইন দা ফ্রন্টিয়ারস ওফ কেমিকেল সাইন্সেস হায়বা হীরমদা অহুমলকশুবা নেসনেল কনফরেন্স হৌদোকখিবগী পাউ, পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-গভনর অজয় কুমার ভাল্লানা লাক্লিবা তাং ২৯, ৩০ অমসুং ৩১ বু ৱার্কিং ডেসনি হায়না লাউথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-দাইলোগ ওন ভেল্যু, ইন্দিয়া এন্দ ৱেষ্টন পরসপেক্তিব হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনিগী নেসনেল সেমিনার অমা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা হৌদোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। রাজ্য সভাগী এম.পি. সনাজাউবনা দিলিমিটেসন তৌদ্রিঙৈদা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং হান্না হলহনখিগদবনি পাউনা পাউ অসিগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।